মিসাইল চাংয়েংশিংগী মরক্তা চাইনানা মালেমদা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবা নোর্থ কোরিয়াগা থবক তৌমিন্ননিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখ্রে

বৈজিং, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): মালেমদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা বৈজিংনা পিওংয়াংগা থবক তৌমিন্নবা পাম্মী হায়না চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উনদা ফোঙদোরক্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা চাংয়েংশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা য়ুএসনা পীরকপা ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিং মশাগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা থেংনগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা চাইনিজ লিদর অসিনা মেসেজ অসি পীখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মিসাইল লোঞ্চশিং পরিং নাইনা চথখিবনি। চাংয়েংশিং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা তরেৎশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমসু পাঙথোক্লবা লাংলিব্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎলকখি। নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অদু কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবনি।

পিওংয়াংগী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না কিমদা পীবা মেসেজদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা হায়খি, মদুদি কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমদি মালেম পুম্বদা মরা তপ্পা, তং তাবা চাওখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবগী ফিভম লাকহন্নবা বৈজিংনা নোর্থ কোরিয়াগা থবক তৌমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ।

প্রসিদেন্ট সিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা মালেমদা, মতমদা অমসুং পুৰাৰীদা অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা মহাক্লা পিওংয়াংগা খুৎশম্না থবক তৌমিন্নবা পাম্মী।

চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টি কংগ্রেসনা হৌখিবা থাদা সিদা অহুমশুবা টার্ম অমগসু অমুক শীন্নখিবদা কিমনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবগী রেস্পোন্স ওইনা মেসেজ অদু পীরক্লিবনি হায়না কেসিএনএগী রিপোর্ট অদুদা মখা তানা পনখি। নোর্থ কোরিয়ানা আইসিবিএম লোঞ্চ তৌদ্রিঙৈ নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদা সি জিনপিংনা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ ওফ ২০ গী সম্মিট অমদি নাকোয়ননা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা উন্নখিবনি।

উন্নবা অদুদা বাইদেনগী মায়কৈদগী পিওংয়াংনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎ-হনগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা বৈজিংনা পাল্লোই হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। পিওংয়াংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মীচং অমদি শেল থুমদা মতেং খ্বাইদগী চাওনা পীবা লৈবাক ওইরিবা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াবু ইথিল পীদুনা লাকশিলহনবা পাম্মী হায়না ৱাশিংতননা মমাঙদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

পিওংয়াংগী য়ু এস মেনলেন্দ ফাওবা য়ৌবা ঙমগদবা খ্বাইদগী নৌবা আই সি বি এমনি হায়রিবা মিসাইল অদু নবেম্বর ১৮ দা লোঞ্চ তৌখিবনি। য়ুএন সেকুরিটি কাউন্সিলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং ইনিদয়া য়াওনা লৈবাক ১৪ গী ওইবা ওপন মীটিং অমা লঞ্চকা য়াওনা পাঙথোকখিবা পিওংয়াংগী এক্সনশিং ওইবা অদুবু খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

তৌইগুম্বসুং নোংচুপলোমগী দিপ্লোমেট অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎকী ষ্টেটমেন্টদা চাইনা অমসুং রসিয়ানা মখোয়গী মমিংশিং য়াওহনবা পামদে।

থা অসিগী অঙনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বৈজিং অমসুং মোস্কোবু মখা তাবা পনিসমেন্ট ফঙহন্দনবা প্রোটেক্সন পী হায়না মরাল শীবসু লৈখ্রবনি। মমাঙগী লোঞ্চশিংগী পাউখুম ওইনা হৌখিবা মেদা য়ুএসনা লুচিংদুনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং লাউথোক্লবা হোৎনখিবদা চাইনা অমসুং রসিয়ানা বিতো তৌখিবনি। ন্যুক্লিয়র অমসুং বলেষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা পিওংয়াংগী মায়োক্তা হান্নদগী মালেমগী অথিংবা কয়া লৈরিবনি।

খুৎলায় লৈশিল্লক্তবদগী রসিয়ানা য়ুক্রেনদা অরিবা ন্যুক্লিয়র ক্রুজ মিসাইলশিং শীজিন্নরি

কিভ, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): নিংথম থা মপুং ফানা য়ৌরক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা রসিয়ানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ুক্রেনগী পৱার গ্রিদতা অতম্লনা টার্গেট তৌদুনা অশানবা মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা ষ্ট্রাইক চথখিবগা লোয়ননা লানগী চৈথেং চাওনা মায়োক্লরিবা লৈবাক অসিগী ইনর্জি সিষ্টেম অপুন্বগী চাদা ৫০ মাঙ তাকখ্রে। তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমিত্তা বৃটেননা ব্লাদিমির পুটিনগী ফোর্সশিংনা হৌজিক অরিবা ন্যুক্লিয়র ক্রুজ মিসাইলশিংদগী ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং লৌথোক্লগা কনভেনস্নেল খুৎলায়শিং হাপ্লগা নত্ত্রগা ম্যুনিসন য়াওদনা য়ুক্রেনদা কাপ্পা হৌরম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা পীখ্রে।

থৌওং অসিগা মরী লৈননা রসিয়াগী পান্দম করিনো হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মসিনা রসিয়াগী অশানবা মিসাইলশিংগী ষ্টোক্তা লৈরিবা খুৎলায় হন্থরক্লে হায়বসি উৎলি হায়না বৃটিস মিলিটরি ইন্টলিজেন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি। অথুবা মতমদা মোস্কোগী পান্দমশিং ফংলগনি হায়না পুটিননা য়ুক্রেনগী লানদা মথ্বায় থাখ্রবা রসিয়াগী লান্মীশিংগী ইমুংশিংদা থাজবা পীখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অসি লাকপনি।

এজেন্সিনা পুটিনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ঐখোয়গী পান্দমশিং ফঙনবা ঐখোয়না মখা তানা লাঞ্জং চঙশিনখিগনি। অথুবা মতমদা ঐখোয়গী পান্দমশিং শোয়দনা ফঙবা ঙম্লগনি। ঐখোয়গী থৌনা লৈরবা লান্মীশিংনা লৈবাক্কী পান্দম ফঙননবা লাম্হেংনবদা মথ্বায় থাখিবা অসিদা ইশামক য়াওনা লৈবাক অসিগী লুচিংবা পুম্নমক্না ইমুং মনুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

অতৈ য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী ওইনদি পৱার সপ্লাই পাক শন্না লেপখিবনা মরম ওইদুনা ৱানা খাঙলিবা য়ুক্রেনগী ইমুং মিলিয়ন তরুক হেনববু মতেং পাঙনবা মখোয় মখোয়না ঙন্বশিং লাঙনবা হোৎনরক্লি। রসিয়ানা লিশাং শিংনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরকপনা মরম ওইদুনা নিংথম থা চঙলক্লবা মতম অসিদা য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রা ষ্ট্রকচরদা চাওনা চৈথেং নঙলি।

লান অসিগী অহানবা নিংথম থা য়ুক্রেননা রসিয়ানা পায়শিনখিবা লমশিং অমুক হন্দোকপা ঙম্লবা মখা তানা কাউন্টর ওফেন্সিব কেম্পেইন চথখিগদ্রা নত্ত্রগা রসিয়াগী কম্মান্দরশিংনা কিভকী খোঙজং থিংবা ঙমগদ্রা হায়বগী চাংয়েং মায়োক্ল হল্লগনি। ইরাই নুমিত্তা য়ুএন হ্যুমেনিটরিয়ন ওফিসকী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেননা ইলেক্ট্রিসিটি, ঈশিং সপ্লাই অমসুং মৈশা য়াওদনা শাথিরবা নিংথম থাগী অইংবা মায়োক্লগদৌরি।

সাউদি অরাবিয়ানা নুমিৎ ১২ নিগী মনুংদা মীওই ১৭ হাৎখ্রে

রিয়ার্দ, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): সাউদি অরাবিয়ানা নবেম্বর ১০ দগী হৌজিক ফাওবদা ড্রগ অমসুং কন্ট্রাবেন্দ ওফেন্সশিং চথবগী মরাল শীখ্রবা মীওই ১৭ হাৎখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা কিংদম অসিদা হাৎখিবা শিবগী চৈরাক ফঙলবা মীওইশিংগী অপুনবা মশিং অসি ১৪৪ শুরে হায়রি।

সাউদি অরাবিয়াদা তোঙান তোঙানবা মরালশিংগা মরী লৈননা মীওই কয়া হাৎখিবসিগী মতাংদা য়ুএন হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী স্পোক্স পার্সন ইলিজাবেথ থ্রোসেলনা হায়রি, মদুদি মসি সাউদি অরাবিয়াদা শুপ্পগী চহী অমখক্কী মনুংদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা পীরিবা কেপিটেল পনিসমেন্ট মশিংনি। মীহাৎশিং অদুবু য়াম্না নুংঙাইনিংঙাই ওই হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, সাউদি ওথোরিটিশিংনা হাৎখিবদুগী মনুংদা সিরিয়ন মরি, পাকিষ্টানি অহুম, জোর্দানিয়ন অহুম অমসুং সাউদি তরেৎ য়াওরি।

হাই কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটসকী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, সাউদি অরাবিয়াদা ড্রগকা মরী লৈনবা ওফেন্সশিংগীদমক্তা চৈরাক ওইনা মী হাৎপা হৌরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। মালেম পুম্বগী ওইনা শিবগী চৈরাক পীবা লেপ্পনবগী ৱাফম য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা লৈবাক অয়াম্বনা খন্নখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লৈবাক অসিনা এক্যুজ মশিং য়াম্না কেপিটেল পনিসমেন্ট পীখিবসিনা ঐখোয়বু হেন্না নুংনাংহল্লি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, শিবগী চৈরাক ফঙলগনি হায়বগী থাজবা লৈরবা হোসেন অবো অল-খের কৌবা জোর্দানিয়ন নুপা অসিনা সাউদি গবর্ণমেন্টদা মহাকপু চৈরাক অদু পীবিদনবা হায়জখি হায়না ক্লেম তৌবা রিপোর্ট কয়াসু ফংখি। চহী অসিগী মার্চদা সাউদি ওথোরিটিশিংনা নোংমখক্তদা মীওই ৮৮ হাৎখিবনি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটসকী মতুং ইন্না মদু শিবগী চৈরাক পীবগী চাং য়ারিমখৈ হন্থরগনি হায়না হন্দক্তা থাজবা পীখিবা লৈনা লৈনা পাঙথোরকখিবা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা মীহাৎশিংনি।

সাউদি ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা চার্জশিংদা হাৎখিবা মী মশিংনা কুমজা ১৯৭৯ দা মেকাগী গ্রান্ট মোস্ক সিজ তৌখিবগা মরী লৈননা কনভিক্সন পীখিবা মিলিটেন্ট ৬৩ পুল্লপ ওইবা কুমজা ১৯৮০ গী জনুৱারীদা হাৎখিবা অদুদগী ফাওবা হেল্লি হায়রি।

মেকাগী গ্রান্দ মোস্কতা চথখিবা এটেক অদু মিলিটেন্টশিংনা কিংদম অসিদা অমসুং ইস্লামগী খ্বাইদগী শেংলবা সাইটতা টার্গেট তৌবগী খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক্নি হায়না লৌনরি। কুমজা ২০১৮ দা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন্ট প্রিন্স মোহমদ বিন সলমাননা মহাক্কী লৈবাক্লা জষ্টিস সিষ্টেমদা অহোংবা চাওনা লাকহন্দুনা শিবগী চৈরাক পীবগী চাং হন্থরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মী হাৎপগী মরাল লৈরবা মীওইশিং খক্তদা কেপিটেল পনিসমেন্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা খন্নরি হায়না মখা তানা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

ট্রম্পকী রাইবেল রোন দে সান্টিষ্টতা প্রসিদেন্সিএল মীখল থেংনরবদি ইলোন মস্কনা শৌগৎকদৌরি

ৱাশিংতন, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): হন্দক্তা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু অমুক হন্না ত্বিটর শীজিন্নবা য়াহনখিবা মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট অসিগী মপু অমসুং বিলিনিয়র ইলোন মস্কনা থাংজ নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি করিগুম্বা ফ্লোরিদাগী গবর্ণর রোন দে সান্টিষ্টতা কুমজা ২০২৪ দা য়ুএসকী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা কন্টেষ্ট তৌনবা চোংথোরকপা তাবদি মহাক্লা শৌগৎকনি।

থা অসিগী অঙনবদা দে সান্টিষ্টনা দেমোক্রেটিক ওপোনেন্ট চার্লি কৃষ্টপু পার্সেন্টেজ ২০ লোম হেন্দুনা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা মহাকপু অমুক হন্না ফ্লোরিদগী গবর্ণর খনখিবনি। খোঙথাং অদুগা লোয়ননা মশামক রিপব্লিকান পার্টিগী টোপ ষ্টার ওইনবগী লম্বী ফাৎখি।

ত্বিটরগী চীফ ইলোন মস্কনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২৪ গী প্রসিদেন্সি পায়নবগী মীখলদা ঐহাক্লা পাম্লিবা মীশক্তি হিরম কয়াদা খংহাই খঙজিন তৌদুনা ৱাখল নীংথিনা খন্থবা ঙম্বা সেন্ট্রিষ্টকী ৱাখল্লোন চেনবা মীওই অদুনি।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন অসি ঐহাক্কী অপাম্বা শোয়দনা ওইগনি হায়না ঐহাক্লা থাজখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদা ঐহাক্কী থাজবা অদু নীংবা কায়নিংঙাই ওইরি হায়না মস্কনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২৪ দা দে সান্টিষ্টপু মহাক্লা সপোর্ট তৌগদ্রা হায়না হংবদা মস্কনা ত্বিট অমদা মহাক্লা শোয়দনা সপোর্ট তৌগনি হায়না পনখি। ত্বিটরগী মপু অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐহাক ওবামা-বাইদেন প্রসিদেন্সিগী মরু ওইবা সপোর্টর অমনি অমসুং মমাঙগী মীখলদা মহাক্লা ট্রম্পকী মায়োক্তা বাইদেনদা ভোট পীখি।

ট্রম্পনা প্রসিদেন্সি পায়নবগী মথংগী মীখলদা অমুকসু চোঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখ্রবসু কঞ্জার্বেটিবশিংগী মরক্তা দে সান্টিষ্টপুনা হেন্না পাম্নরি। মরু ওইনা কাঙলুপ অমদি জেন্দরগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা মহাক্লা মাঙজিল থাদুনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং ফংনবা হোৎনবদগী ফ্লোরিদাগী গবর্ণর অসিবু মীয়াম্না পাম্নরিবনি। মহাক্লা গবর্ণর ওইরিঙৈদা ফ্লোরিদাদা কোভিদ পেন্দামিক্কা মরী লৈনবা অথিংবশিং রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা স্কুলশিংদা এলজেবিটিক্যুগী ইস্যুশিং খন্নবদা পনখৈ থল্লিবা লো অমা পাস তৌবদসু অথিংবা পীখি।

টেররগী থ্রেটকা মরী লৈননা ইমরান খানদা লমশাং খোঙচৎ য়ৈথোক্লবা পাউতাক পীখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলানা হান্নগী পিএম অমসুং পিটিআইগী চিয়ারমেন ইমরান খানদা নবেম্বর ২৬ তা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা মহাক্কী পার্টিগী ৱাৱল পিন্দিগী লমশাং খোঙচৎ য়ৈথোক্লনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

সনৌলানা হায়খি, মদুদি ৱাৱল পিন্দিদা নবেম্বর ২৬ পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা রেল্লি অদুগা মরী লৈননা ইন্টলিজেন্স এজেন্সি পুম্নমক্না পিটিআই অমসুং মসিগী চীফকীদমক্তা সেক্যুরিটি এলার্টশিং ইস্যু তৌখ্রে। এক্সট্রিমিষ্ট পার্টিশিংনা পিটিআইগী লমশাং খোঙচৎ অদুদা টেররিষ্ট এটেকশিং চথরকপা য়াই।

সমা টিভিগী রিপোর্টনা মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা সিটি অসিদা রেদ এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা পিটিআইগী লুচিংবা অসি হৌজিক শাথিবা থ্রেট অমগী মখাদা লৈরবনি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিনা রেল্লি ষ্টেজ অদু তঙাই ফদনা শেল চঙলবসু চঙনা বুল্লেট প্রুফ ওইহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, করিগুম্বা খাননা মীখলগী তারিখ অমা পাল্লবদি অহানবদা মহাক পোলিটিসিয়ান অমা ওইগদবনি। মীখলগী তারিখকীদমক্তা খাননা নৱাজ সারিফ নত্ত্রগা সেহবাজ সারিফ উন্নবা ফাওবা য়াই।

পাকিষ্টানবু মাঙলোমদা খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিনবা ঙমহন্নবা পার্লিয়ামেন্টদা অমুক হল্লক্লবসু সনৌলানা হান্নগী পিএম অসিদা তকশিনখি।

মহাক্লা হায়, পিটিআইগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াদনবা পার্টি অসিগী ৱার্করশিংদসু মহাক্লা হায়জরি। খাননা মীখলগী তারিখকীদমক শুপ্প গী পোলিটিকেলশিংগা ইনগেজ তৌগদবনি। ৱাৱল পিন্দিদা ফাওদুনা লমশাং খোঙচৎ চৎপনদি মহাক্কী অপাম্বা অদু ফঙবা ঙম্লোই।

ৱাৱল পিন্দিদা পুনগদৌরিবা পিটিআইগী লমশাং খোঙচৎ অদুগী চঙফম অমসুং থোকফম খুদিংমক্তা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা ইস্লামাবাদকী আইজেপিদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে হায়নসু সনৌলানা ফোঙদোকখি।

য়ুএন ওফিসলগী করেম কথাইনবা ৱাফম তালিবাননা কন্দেম তৌখ্রে

কাবুল, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ইস্লামগা মরী লৈননা য়ুএন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবা করেম কথাইনবা ৱাফম ইস্লামিক ইমিরেট ওফ অফঘানিষ্টানগী স্পোক্স পার্সন জাবিহুল্লা মুজাহিদনা থাংজ নুমিত্তা ত্বিটরগী খুত্থাংদা কন্দেম তৌখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

টালিবানগী স্পোক্স পার্সন অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী নুমিত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স হাই কম্মিসনগী স্পোক্স পার্সননা চৈনা ফুদুনা চৈরাক পীবগী থৌওং মীওইবগী মতৌ নত্তে অমসুং য়াম্না তমথীবা নুংশি হৈতেবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন মুজাহিদনা হায়খি, মদুদি ইস্লামগী পেনাল কোদ ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি শেংলবা ইস্লাম লাইনিং লম্বীবু করেম কথাইনবনি অমসুং ৱাফম অদু ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দকী মায়োক্তসু ওই।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইস্লামগা মরী লৈননা লৈবাকশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা ইন্দিভিয়েলশিংবু মখোয়গী মহুৎ শীন্দুনা থৌদাং মশক খঙদবা অমসুং কায়হৌবা ৱারোলশিং ফোঙদোকহল্লোইদবনি।

অফঘানিষ্টানদা কোর্পোরেল পনিসমেন্ট পীবগী মায়োক্তা ইরাই নুমিত্তা য়ুএন রাইটস ওফিসকী স্পোক্স পার্সন রবিনা সমদাসানিনা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌখিবা মতুংদা টালিবানগী মায়কৈদগী পাউখুম অসি পীরকপনি।

সমদাসানিনা হায়খি, মদুদি দিফেক্তো ওথোরিটিশিংনা মীয়াম মমাঙদা মীওই কয়াবু চৈনা ফুখিবা থৌদোক অদু য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা অসিগুম্বা মখলগী পনিসমেন্ট পীবা লেপ্পনবসু আপিল তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা কোর্পোরেল পনিসমেন্ট অসি টোর্চর অমসুং অতৈ মীওইবগী মীনুংশি য়াওবগী মতৌ চেন্দবা পনিসমেন্টগী মায়োক্তা লৈরিবা কনভেন্সন অমদি ইন্টরনেসনেল কোপনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসকী মখাদা অথিংবা লৈ হায়নসু পনখি।

নাইজেরিয়াদা গনমেনশিংনা মীওই ১৫ হাৎখ্রে

লাগোস, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): হন্দক্তা নাইজেরিয়াদা চথখিবা নোংমৈগী এটেকশিংদা পুন্না মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১১ অশোক অপন নঙখ্রে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা নাইজেরিয়াগী কাদুনা ষ্টেটকী ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি এন্দ হোম এফিয়র্সকী কম্মিস্নর সাম্যুল অরুমানগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, শাথিরবা এটেকশিং অদু শগোলশেল নুমিত্তা ভিলেজ মরিদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা চথখিবনি।

গনমেনশিং অদুনা ভিলেজশিং অদুদা লান্দাদুনা মীয়ামদগী শেল মুন্নবা হোৎনখিবনি হায়না লোকেল পাউচে গনেসন্না ইরাই নুমিৎকী রিপোর্ট অমদা পনখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না নোংমৈ পায়বা এটেক্করশিং অদুবু খুঞ্জাশিংনসু মায়োক্লদুনা অথিংবা পীখি। খুঞ্জাশিংনা খুৎলায় পায়বশিং অদুগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপখিবগা লোয়ননা মখোয়গী থৌওং অদুদা নিংবা কায়রবা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা খুঞ্জাশিংদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

পিএম সারিফ, টর্কিগী প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা পাকিষ্টানগী অনৌবা ৱারশিপ অমা লোঞ্চ তৌখ্রে

অঙ্করা, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফ অমসুং টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা পাকিষ্টানি নেভিগীদমক টর্কিনা শাবা কোরবেট ৱারশিপ অমা পুন্না লোঞ্চ তৌমিন্নখ্রে।

ৱারশিপ অদু ষ্ট্রেটেজিক কো ওপরেসন অমগী মখাদা পাকিষ্টানি নেভিগীদমক্তা শাখিবনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

টর্কিগী প্রসিদেন্টনা ইনভাইট তৌবদগী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিদা মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসলশিংগী দেলিগেসন অমগা লোয়ননা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা লানগী জহাজ অদুবু লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা হায়খি, মদুদি পিএনএস খাইবর লোঞ্চ তৌরিবা অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা দিফেন্স কোওপরেসন হেন্না চেৎশিল্লক্লে হায়বসি উৎলি।

ইষ্টানবুল শিপয়ার্দতা পাঙথোকখিবা পিএনএস খাইবর লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা সারিফনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মালেম পুম্বনা পাকিস্টান অমসুং টর্কিগী মচিন মনাও ওইবগী মরীবু কল্লক্লরক্লবা মতম অসিদা লৈবাক অনীগী তৌগদবদি মখোয়গী লম কয়াগী মরীশিং ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ ওন্থোকপা অসিনি।

পিএনএস খাইবর অসি জেইন্ট কো ওপরেসন প্রোজেক্ট অমগী মখাদা টর্কিনা পাকিষ্টানি নেভিগীদমক্তা শাবা কোর্বেট জহাজ মরিগী মনুংদা অহুমশুবনি। প্রোজেক্ট অদুগী মখাদা টর্কিনা পাকিষ্টানি নেভিগীদমক্তা কোবেট ৱারশিপ মরি শাগদবনি। ৱারশিপ অনী ইষ্টানবুলদা শাগদবনি অমসুং করাচিদা অনী শাগদবনি।

পিএনএস বাবর হায়না মমিং থোনখিবা পাকিষ্টানিগী নেভিগী অহানবা কোরবেট ৱারশিপ কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা ইষ্টানবুলদা লোঞ্চ তৌখি। অনীশুবা ৱারশিপ পিএনএস বাদর শানবগীদমক কুমজা ২০২২ গী মেদা করাচিদা উরেপ উয়ুং তমখি।

জহাজশিং অদু টর্কিজ ষ্টেটনা চল্লাইবা দিফেন্স কন্ট্রেক্টর ফার্ম অমা ওইরিবা এএসএফএটি ইঙ্কনা শাবনি। জহাজ অদু লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা মরিশুবা জহাজ কুমজা ২০২৫ গী জনুৱারিদা দেলিভর তৌগনি হায়না লাউথোকখি।

ৱালমার্টকী সুটরনা অয়ুক্তা লোনা য়াবা মওংদা হেন্দগন লৈরগা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি: পুলিস

ৱাশিংতন, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী): য়ুএসকী ব্রজেনিয়া ষ্টেটকী চেসাপিক্তা লৈবা ৱালমার্ট অমদা নোংমৈ কাপ্পুনা মীওই তরুক হাৎখিবা গনমেন অদুনা লোনা য়াবা মওংদা নুমিত্তুগী অয়ুক্তা হেন্দগন অমা লৈখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা এন্দ্রি বিং কৌবা এটেক্কর অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপফম অদুদা থোমজিল্লক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা মশা মথন্তা কাপশিনবদা শোকপদগী শিখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১০ দগী চেসাপিক সুপর মার্কেটতা ওভরনাইট শিপতা থবক তৌরকখিবা বিংনা লোকেল ষ্টোর অমদগী লোনা য়াবা মওংদা নাইন এম এমগী হেন্দগন অমা লৈখি। মীওই মরিসু অশোক অপন নঙখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মমাঙদা মহাক অতোপ্পা ক্রিমিনেল রেকোর্দ অমত্তা লৈখিদে। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থৌদোক থোকফম অদুদা ফঙখিবা সুটর অদুগী ফোনগী ফোরেন্সিক এনালাইসিস চথবদা দিভাইস অদুদা ‘শিবগী নোট’ অমা য়াওরম্বা থেঙনখি।

চেসাপিক সিটিগী পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই অনী হৌজিকসু মখা তানা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। মখোয় অনীগী মনুংদা অমগী ফিভম লুনা লৈ অমসুং অতোপ্পা অদুদি ফিভম ফগৎলক্লি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা চেসাপিক্তা লৈবা সিটি পার্কতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা লৈখিদবশিং অদুদা ইকায় খুম্নবা উৎপা থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি।

ৱালমার্টকী মেসেক্কর অদু কোলারাদো স্প্রিংসতা লৈবা এল জি বি টি ক্যু নাইট ক্লব অমদা মীয়ামদা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অমদা মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১৯ না অশোক অপন নঙখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা থোকখিবনি। গনমেন অমা নাইট ক্লব অদুদা চঙখি অমসুং মহাক্লা এ আর-১৫-ষ্টাইলগী রাইফল অমা শীজিন্নদুনা অউবশিংদা নোংমৈনা কাপখি। মমৈথংদা মহাক পুলিসনা ফাখি।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯔꯨꯔꯦꯜ ꯕꯦꯉ꯭ꯛ

MANIPUR RURAL BANK

H.O. Keishampat Imphal

পোজেসন নোটিস

(ইম্মুবেবল প্রোপর্টিগী) রুল-৮ (১)

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস ২০০২ গী রুল (৩) গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাগী বোরোৱরশিং অসিদা দিমান্দ নোটিস (শিং) ইস্যু তৌদুনা নোটিস (শিং) অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস (শিং) গী তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা পীথোক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱর (শিং) না শিংফম থোকফম শেনফম শিংবা ঙমদবদগী মখাদা খুৎয়েক পীরিবা অসিনা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমসুং মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল (৮) গী মখাদা মঙোন্দা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি মখোয়গী মমিংশিংগা চান্ননা মখাদা পল্লিবা তারিক্তা লৌশিল্লে হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমসুং মীয়ামদা নোটিস অসিনা খঙহল্লি।

প্রোপর্টিশিং অসিবু দিল তৌদনবা অমদি প্রোপর্টিশিং অসিগী দিল্লিং চথবা তারবসু মখাদা পল্লিবা শেনফম (শিং) অমসুং ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা প্রোপর্টিগী শরুকশিং অদুগী ওইনদি মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী অয়াবা লৌগদবনি হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমদি মীয়ামদা খঙহল্লি।

সে নং.	বোরোৱরগী মিং, একাউন্ট নম্বর অমসুং ব্রাঞ্চ	দিমান্দ / এস এ আর এফ এ ই এস আইগী নোটিস	দিমান্দ নোটিসতা য়াওবা ক্লেম এমাউন্ট	প্রোপর্টিগী মওং মতৌ
০১	শঙুবম বাবু সিংহ, অপোকপা শঙুবম চন্দ্র সিংহ, লৈফম্না ইরম সিফাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৯০১৬২৫০০০৭৩৫১ হিয়াংথাং ব্রাঞ্চ	২১-১১-২০২২	০১-১২-২০১৮ ফাওবদা লুপা ৯,৩৬,০৫৩.৭০/- তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্সিএল চার্জশিং য়াওরগা	দিদ নম্বর ৩৩০ তারিখ ১০-৪-২০১৫, পাট্টা নম্বর ৩৭১/৫৭৮ (অনৌবা) সিএস দাগ নং. ৩১১/৬৫৬ ওইবা একর ০.০৮৭ পাক চাওবা ৱাঙ্গোই সব রেজিষ্ট্রার ওফিসতা রেজিষ্টর তৌবা শঙুবম বাবু সিংহ, অপোকপা এস চন্দ্র সিংহগী মিংদা ভিলেজ নম্বর ৮৩-বিত্র, ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুরদা লৈবা ইঙ্খোল ক্লাসকী লম।

ওথোরাইজদ ওফিসার
মণিপুর রুরেল বেঙ্ক

HL/P/5064/27